ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

WAYEL KATI

Vol. 2, Issue 035 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৪ | ইম্ফাল, ইঙাগী ২৮ নি পানবা, নোংমাইজিং , জুলাই ১২,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।-

## কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ লৈমখোং আর্মি কেম্প মনাক নক্লা লৈবা মৈতৈগী খুল অমা ওইরিবা কান্টো সাবলদা ঙরাং কুকি মিলিটেন্টনিচিংনবশিংনা য়ূম মৈ থাখিবগী থৌওং নেস্নেল পিপলস পার্টি, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা কন্দেম তৌরক্লি। পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডা. লোরহো এস ফোজেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কান্টো সাবলগী অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা খূদক্কী ওইবা তেংবাং পীগদবনি। য়ূম মৈ থাবদা চেন্নবশিং ফারগা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংহনগদবনি হায়রি।

## এক্সপোজর টুর

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ৱাইদ এঙ্গলনা চাইল্ড রাইটস এন্দ য়ুগী মতেংগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা খুলগী অঙাংশিংগী ওইবা ' নো য়োর ভিল্লেজ এক্সপোজর টুর প্রোগ্রাম'গী শরুক অমা ওইনা ঙসি কংলা ফোর্ট য়েংহনখ্রে। ৱাইদ এঙ্গলগী সেক্রেটরি মোন্টু অহন্থেমনা লমথাখিবা টুর প্রোগ্রাম অদুদা হৈনৌবোক, ঙাইহাংবম মখা, ঙাইহাংবম অৱাং, ঙাইহাংবম মনিং, থরোইজম, সলাম, য়ুম্লেম্বম অৱাং অমসুং ময়াই লৈকায় অমদি মাক্লংদগী পুন্না অঙাং ২৩০ রোমনা শরুক য়াখি হায়রি।

## মণিপুরী কলচরেল ফেষ্ট

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ মণিপুর লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরানা তখেল লৈমা তেংবাং লূপকা খূৎশম্নরগা লাক্লিবা জুলাই ২৬তা অগরতালা দা লৈবা শুকান্তা ওদিটোরিয়মদা চহীগী মনা লাম্হোকপগা লোয়ননা মণিপুরী কলচরেল ফেষ্ট ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা ফোরম অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, ত্রিপুরাগী ৱাংমদা লৈবা নেস্নেলগী থাক্তা চহী অনী কান্নরগা পীবা বাবুর তরামণি মেমোরিয়েল নেস্নেল এৱার্দ চহী অসিগী ওইনা মণিপুরগী শক্লাইরবী অইবী আর কে মুসুকসনাদা পীরগনি। অমরোমদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী দাইরেক্টর বিলাশ পুখ্রাম্বমনা কৎপা পুখ্রাম্বম ইবেয়াইমা দেবী নীংশিং মনা ত্রিপুরাগী শক্লাইরবা নট সঙ্কির্ত্তনগী শৈশকপা আর কে ভ্রামর্জিৎতা লাম্হোক্লগনি হায়রি।

## সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা নিংঙোম্থম কাংজৈবুং কম্যুনিতি হোলদা ঙসি অয়ূক পুং ৯ রোম তাবদা য়োগ ত্রেনিং থা ৩ মপুং ফারকপগী সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নিংঙোম্থম পাটাঞ্জলি য়োগ সেন্টর, নিংঙোম্থম হৈরিবোক চীংয়া পাটাঞ্জলি য়োগ সেন্টর, ভারত স্বাভিমান (ট্রষ্ট) অমসুং পাটাঞ্জলি য়োগ সামিট, ইম্ফাল ৱেষ্টকা পুন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পান্দম পাউচেগী একজিক্যুটিভ এদিটর নামোইজম তোম্বা, রাজ্য প্রভারি, ভারত স্বাভিমান (ট্রষ্ট) মণিপুর ষ্টেটকী রাজ্য প্রভারি কে এস ঐচ গোপেন্দ্রনচিংবনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা য়োগ সেন্টর অনীদগী থা ৩গী য়োগগী ত্রেনিং মপুং ফানা লোইখ্রবা য়োগ শান্নরোই ৪৬ তা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি হায়রি।

## টিঐচ বৃন্দা য়াওনা মীওই ১১ ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে

# মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং ষ্টেট স্পোন্সর্দ ভাইওলেন্স অমসুং টেরোরিজমনিঃ বৃন্দা

ইম্ফাল, জুলাই ১২( ৱায়েল কাতি)ঃ কুমজা ২০২৭গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল অসিগীদমক ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেস (আই এন সি)না বি জে পিগী মথক্তা লল্লাউ লাউখ্রে।

লাল অসিগী শরুক অমা ওইনা থৌনাওজম বৃন্দা য়াওনা মশক নাইরবা মীওই ১১ আই এন সিদা ঙসি য়াওখ্রে। আই এন সিদা য়াওখ্রবা মীওই ১১ অদুদি থোংজু এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী থৌঙু জম ওক্সফোর্দ, কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী লোংজম সুরঞ্জয়, থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী য়েংখোম সঞ্জীপ, উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী লাইশ্রম সচিভুষন, য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী বি শরতচন্দ্র শর্ম্মা অমসুং থৌনাওজম বৃন্দা, সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী কে ঐচ দেভেন্দ্রো অমসুং কে ঐচ গম্ভির, লিলোং এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদগী এম দি নসির খান, এম অনৱার হুসেন অমসুং কর্নেল মহমদ সহিদ খাননি।

মখোয় ১১ কোংগ্রেসতা য়াওরকপা অমসুং মখোয়বু ওকপগী থৌরম অদু মীওই চা কয়া তিনখি। অচৌবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকখি। এম পি সি সিগী ওফিস মমাঙ অদু মীনা পীক থনখি। থৌরম অদুদা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম



ইবোবী, সি দব্লিউ সিগী মেম্বর গাইখাঙম, হান্নগী এম পি থোকচোম মৈন্যা, এম এল এশিং, এক্স এম এল এশিং অমসুং কোংগ্রেস ৱার্কর কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কোংগ্রেসতা নৌনা চঙলকখিবা থৌনাওজম বৃন্দানা হায়, কাঙলূপ নাইবা লৈঙাক্কী মওং অসিদি মালেমদসু মায় পাক্ত্রি। মণিপুরদসু মায় পাক্লোই। ঙরাংসু কান্টো সাবলদা য়ূম ৬ মৈ থাখি, চীংদসু ময়াম অমা থারি, কয়া হাৎলি। নোংমগী থোক্তবা য়াদ্রবা পাউ ওইরি। অসিগুম্বা ফীভম অসি কাঙলূপকী ঈরাংলা হায়না য়েংলকপা মতমদা মসি ষ্টেট স্পোন্সর্দ ভাইওলেন্স অমসুং টেরোরিজমনি। ষ্টেট য়াওরগা চথবা ঈ-নাই তাবা থৌদোকনি। ঈরাং অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবা বি জে পি লৈঙাক অসি য়াওই। ঈরাংশিং অসিগী তেকচাক কনানা পুগদবনো

হায়রগদি লৈঙাক্লা পুগদবনি। চহী ১০ লৈঙাকপদা চহী ৩ লান চথবসি মখোয়গী মখূৎ য়াওরগা চথবনি। লৈবাকসি তূম্না মৈ থাবনি। মীওই খুজোক খরনা শান্নরগা ঈরাং অসি থোকহনবনি। মী য়াম্বা নত্তে। মখোয়বু মরূ ফুক্তুনা হুন্দোকখিবা তাবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা তমথিরবা ঈরাংশিং অসিদগী অৱাবা নংলবা মীয়ামবু কনগে হায়বা তারগদি মীয়ামগী মপুং ফাবা লৈঙাক অমা লৈহনবা তাই। অদুগুম্না লৈঙাক অদু কোংগ্রেস নত্তনা অতোপ্পনা ঙম্লোই। মরম অদুনা মীয়ামনা কোংগ্রেসতা থাজবা থমগদবনি।

থৌরম অদুদা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ওক্রম ইবোবীনা হায়, পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগী মায়োক্তা থবক তৌরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা মীৎকুপ খরগী মনুংদা লমন খূমখি। অদুবু পীকখ্রবা মণিপুর ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদি কুন্ধেগুম্না য়েংলগা লৈরি। বি জে পি লৈঙাক্লা খল্লিবসি লমদম অসিদা অমগা অমগা হাৎন-শুনহল্লগা ৱাবা য়াবা ৱাহল্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মঙক নোলহল্লগা চঙজরকসনু হায়বা মানবা থৌওংনি। মসি ঐখোয় পূন্না থেংমিন্নবা মথৌ তাই। ঙসি কোংগ্রেস পার্টিদা চঙলক্লিবশিং অসি মণিপুর কল্লন্নগে, ইমা লৈবাক অসি কল্লন্নগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা চঙবীরকপা ওইরমগনি হায়খি।

## আই দি পিশিংগী য়ূম মৈ থাখিবা থৌওং প্রোক্সি ৱারগী শরুক অমনিঃ কোকোমি

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ লৈমখোং আর্মি কেম্প মমাঙদা কুকিশিংনা প্রোটেষ্ট তৌশিন্নহনবগী খূদোংচাবা লৌরগা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই দি পিশিংগী মী লৈনদ্রবা য়ূমশিং মৈ থাদোকহনখিবগী থৌওং অসি প্রোক্সি ৱারগী শরুক অমনি হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটিগী আই পি আর সব-কম্মিটিগী কনভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মেদিয়া রিপোর্টশিং অমদি মফম অদুদা খুন্দারিবা মীয়াম মরূ ওইনা কান্টো সাবলগী খুঞ্জাশিং অমদি ময়ূম মৈ থাদোকপীখ্রবা আই দি পিশিংনা পীরকপা পাউগী মতুং ইন্না, কুকিশিংগী রেল্লি অদু মৈগী য়ূম মনাক নক্লা চঙশিল্লকপদা সেন্ট্রেল ফোর্সনা করিগী অয়াবা পীরিবনো হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে। মৈতৈনা প্রোটেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা সেন্ট্রেল ফোর্সনা অথিংবা পীরিবগী মরম করিগীনো? মখোয়গী মীৎমাঙমক্তদা য়ূম মৈ থাবগী মৈখু কাখৎলকপা উরবা ফাওবদা সেন্ট্রেল ফোর্সনা তয়ার মৈ চাকপনি হায়না থৌশাদনা লৈথোকখিবা লোয়ননা মশাগী য়ূম মৈ চাকপা কন্নবা হোৎনগে তৌরূবা মীওই অমসু সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা অথিংবা পীখি।

মণিপুরদা থারক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সেস অয়াম্বা মৈতৈ অমদি নাগাশিংদা ওনশিন্দুনা লৈবগী থৌদোক মাম্না পূন্না খঙনদুনা লৈরবনি। হন্দক্কী থৌদোক অসিনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী মীচঙ-মীখায় নাইবা থৌওং অমুক হন্না ময়েক শেংহল্লে। য়ূম মৈ থাবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা পুলিসনা ফারে হায়রিবা মীওইশিং অদু ৱাহং পাউহং চথূরগা মরাল লৈরে হায়না চৈরাক পীবা খক্তনা য়ারোই। থৌদোক অদু কনানা ইনশিল্লগা থোহনবনো অমদি মফম অদুদা ঙাক- শেল্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং লাম্হোক্লগা কমদৌনা য়ূম মৈ থারল্লিবনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙদোক্লবা হোৎনফম থোকই। চীফ মিনিষ্টরনা কন্দেম তৌবগী ৱাফম ফোঙদোক্লগা তুমিন্না লৈথোক্লিবসিনা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা থোইনা পূক্লিং চঙদে হায়বগী মওংনি।

আর্মিনা থৌশাদবদগী কুকিশিংনা মৈতৈগী য়ূম মৈ থাখিবনি হায়না সেকমাই এসিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু লৈঙাক্লা লূম্না লৌবগা লোয়ননা মথৌ নিংথিনা তৌখিদবা আর্মি পার্সনেলশিংদা রেস্পোন্সিবিলিটি ফিক্স তৌফম থোকই। সেক্যুরিতি মতিক চানা লৈবা লৈলমখোং আর্মি কেম্প মনাক্তা মতৌ কমদৌনা য়ূম মৈ থাহনখ্রিবনো হায়বগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মফম অদুদা মথৌ মথৌ তৌবা সেক্যুরিতি ইনচার্জকী মথক্তা ইনক্বারি চথগদবনি। অসিগুম্বা ফীভমঅসিদা ইন্দিয়ানা থারকপা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়াম্না মতৌ কমদৌনা থাজবা ঙমগদৌরিবনো , নাগা অমদি মৈতৈশিংনা হৌজিক হৌজিক পূনশিন্দুনা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা পূন্না লেপমিন্ননবগী থৌরাং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা প্রোক্সি ৱারগী তোঙান তোঙানবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা সাইকোলোজিকেল ৱারফ্যের অমা চথরকপগী মমি চাউনা তাই। নাগা ৬হাৎখিবগী মতাংদা চেন্নবা মীওই ফাবদা পুলিসনা মীতৈ ২গী মমিং হান্না পুশিল্লক্তুনা মীয়ামদা চম্নবা থোকহন্নবা হোৎনরিবসিসু প্রোক্সি ৱারগী শরুক অমনি হায়রি।

### মপাল্লমগী পাউ

## অন্ধ্র প্রদেশতা কোভিদ-১৯না মীওই ২ শিহনখিবদগী চেকশিন থৌরাং লৌখ্রে

কাদাপা, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ অন্ধ্র প্রদেশকী ৱাই এস আর কাদাপা দিষ্ট্রিক্তা নৌনা কোভিদ-১৯গী লায়চৎ শন্দোরক্লে। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২ শিখিবগা লোয়ননা এক্তিভ কেস ৮ য়ৌরকপদগী হেল্‌থ ওথোরিতিশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। কাদাপাগী রাজমপেদ এরিয়াদা লৈবা মশাগী চহী ৫২ শুরবা মীওই ১ লাইহৌ কন্না হৌরকপগা লোয়ননা লোক খূবদগী টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। মীওই অদু ভেল্লোরগী খৃষ্টান মেদিকেল কোলেজতা লায়েং চথরল্লগা শিখিবনি। গভর্নমেন্ট জেনরেল হোস্পিটালদা অনাবা অমনা মরম ওইরগা লায়েংবা লাকখিবা মীওই অমবু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শিখি। কাদাপা মেদিকেল কোলেজতা এম বি বি এস তম্লিবা মশাগী চহী ২৫শুরবা মহৈরোই অমসু পোজিটিভ ওইবদগী হোম এসোলেসন তৌদুনা লায়েং চথরি। অনৌবা কেস কয়া থেংনখ্রবা মতুংদা হেল্‌থ দিপার্টমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা স্পেসিয়েল রেপিদ রেস্পোন্স টিমশিং মথৌ তৌহনবা হৌখ্রে হায়রি।

## ষ্ট্রেট ওফ হোর্মজদা ইরান্না এটেক চথরকপদা ইন্দিয়ান ১ থিবা খঙখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ ষ্ট্রেট ওফ হোর্মজদা সাইপ্রসকী ফিরাল থেৎপা কম্মর্সিয়েল শিপ অমদা ইরান্না এটেক চথরকপদা ইন্দিয়া মচা অমা থিবা খঙখিদ্রে। ওমানগী হিথাংফম মনাক্তা এটেক চথরকখিবা জহাজ অদুদা ইন্দিয়া মচা ১১ তোঙখিবগী মনুংদা ১০ রেস্ক্যু তৌহৌরগা অমদি হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি। মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা, ইরান্না ঙসি অয়ূক অঙনবদা কম্মর্সিয়েল শিপ অমদা এটেক চথরকখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি। ওমান্দা লৈবা ইন্দিয়া এম্বেসিনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা থিবা খঙখিদ্রবা ইন্দিয়া মচা অদুগী খোঙ্গুল লীনবা রেস্ক্যু ওপরেসন চথবদা মতেং পাংলি। য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা খূৎ থোক্লরিবা অসিনা মরম ওইরগা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মজ ফাওনা চৎলিবা মীচম তোঙবা জহাজশিংদা খূৎ থাবগী থৌওং মিনিষ্ট্রি অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

## রিমসতা এম বি বি এসকী সিট ১২৫দগী ১৫০দা হেঙ্গৎনবা নেস্নেল মেদিকেল কম্মিসন্না অয়াবা পীরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ চৎলিবা চহী অসিদগী হৌনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা এম বি বি এসকী সিট মশিং ১২৫ ওইরম্বদগী ১৫০ দা হেঙ্গৎহনবগী মতাংদা নেস্নেল মেদিকেল কম্মিসনন্না অয়াবা পীরক্লে।





এম বি বি এসকী সিট মশিং হেঙ্গৎলকপনা মরম ওইরগা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মেদিকেল তম্লিংবশিংদা খূদোংচাবা পীরগনি। মসিগীসু মথক্তা হন্দক্কী চহী অসিদগী হৌনা দেন্টেল কোলেজ রিমস ইম্ফালদা মাষ্টর ওফ দেন্টেল সর্জরি (এম দি এস) হাংদোক্লবগী মতাংদা নেস্নেল দেন্টেল কম্মিসনন্না অয়াবা পীরক্লে। এম দি এসকী কোর্স হাংগদৌরিবশিং অদুদি ওরেল এন্দ মেক্সিলোফেসিয়েল পেথোলোজি এন্দ ওরিয়েল মাইক্রোবাইওলোজি, পেরিওদোন্টোলোজি' ওর্থোদোন্টিক্স এন্দ দেন্টোফেসিয়েল ওর্থোপেদিক্স, কঞ্জার্ভেটিভ দেন্টিষ্ট্রি এন্দ এন্দোদোন্টিক্স, ওরিয়েল এন্দ মেক্সিলোফেসিয়েল সর্জরি অমসুং প্রোষ্টোদোন্টিক্স এন্দ ক্রাউন এন্দ ব্রিদজনি।

নেস্নেল মেদিকেল কম্মিসন অমসুং নেস্নেল দেন্টেল কম্মিসিননা অয়াবা পীরকখিবনা মরম ওইরগা রিমসনা অনা লায়েংগা মরী লৈননা মহৈ মশিং তম্বীবা অমসুং মতমগা চান্নবা মওংদা হৈ-শিংলবা হেল্‌থ কেয়র প্রোফেস্নেল কয়া মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদগী মশিং য়াম্না পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না রিমসকী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## 'য়ূম মৈ থাবদা চেন্নবশিং অকনবা চৈরাক পীগদবনি'

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ লৈমখোং চীংমাঙ অমসুং কান্টো সবলদা কুকিশিংনা নাগা অমসুং মৈতৈগী পূন্না য়ূম ৬ মৈ থাদুনা হিংশাগী থবক চথখিবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা কুকিশিং চপ চানা থবক লৌখৎকদবনি হায়না ফুট্‌হিলস নাগা কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি(এফ এন সি সি)না লৈঙাক্তা তকশিল্লক্লি।

এফ এন সি সিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হায়, খূন্নাইগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা অমদি মমাই চুমগদৌরিবা মহৈশঙ অনী কোর্নষ্টোন মিসন স্কুল অমসুং হোপ ইন্টরনেস্নেল স্কুলদা হুরান চিন্থি তৌদুনা লৈশিনবগী থৌওংসু চথখি। অসিগুম্বা থবকশিং অসি পেন্দবগী খোঙজং চঙশিনবগী শক্তম নত্তে, মীয়ামদা অকি-অখঙ পীনবা, পূন্সি মাঙহন্নবা অমদি খূন্নাই অসিবু থুগায়দুনা চথবা তমথিরবা ক্রাইম মখল অমনি। মসিগী মথক্তা হোপ ইন্টরনেস্নেল স্কুলদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহনখিবসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। পুম্নমক অসি লৈমখোংদা লৈবা ৫৭শুবা মাউন্টেন দিভিজন, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স অমদি পঞ্জাব রেজিমেন্টগী লান্মীশিংগী মমাঙদা থোকখিবনি। মতাং অসিদা লো চপ চানা চৎনহন্নবা লৈরিবা লৈঙাক্কী থৌদাংদা ৱাহং কয়া থোরক্লি। মণিপুর লৈঙাক, য়ুনি হোম মিনিষ্ট্রি, অমসুং সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংনা লো এন্দ ওর্দর চপ চানা ঙাক্তুনা থম্নবা, ফুরুপশিং শোয়দ-ঙামদনা লৈনবা অমসুং তমথিরবা হিংশাগী থৌদোকশিং অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা চপ চানা থবক তৌগদবনি। হিংশাগী থৌদোকশিংদা অৱা অনা তারবা ইমুংশিংগী মফমদসু থম্মোয় শোক্নবা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

## হেঞ্জাং ১সুং খুনখো ভিল্লেজকী চীফ লৈফম খঙহন্নবা কিমনা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ লৈমখোংদা মীয়ামনা চঙশিনবা প্রোটেষ্টকা মরী লৈননা ফাজিনখিবা হেঞ্জাং ভিল্লেজকী চীফ কে লৌভুং অমদি খুনখো কুকি ভিল্লেজকী চীফ পাদিন হংসিংগী লৈফম চপ চানা খঙহনবীনবা কুকি ইনপি মণিপুরনা তকশিল্লক্লি।

কুকি ইনপি মণিপুরগী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেঞ্জাং ভিল্লেজকী চীফ কে লৌভুম ইন্দিয়ান দিফেন্স ইষ্টেট সার্ভিসতগী পোত্থারবা মীওইনি। খোঙজংদা শরুক য়াখিদবা মীওই অসিবু পুলিসনা ফাজিনখিবগী থৌওং য়ানিংদে। মহাক হৌজিক কদায়দা, করম্বা ফীভমদা থল্লিবগে হায়বা ওথোরিতিশিংনা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্তবনা ইমুং মনুং অমসুং ফুরূপ অসিগী মীয়ামদা চাউনা নুংনাংবা পোকহল্লে। প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিদবা পাগিন হংসিং ফাজিনখিবগী থৌওং অদুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। কে লৌভুম হায়রিবা মীওই অসি জুলাই ৮দা লৈমখোং এরিয়া প্রোটেক্সন কম্মিটিগী চেয়রমেন ওইরম্বদগী ফম থাদোকখ্রবনি হায়রি।

## ব্রাউন সুগর কেজি ৫গা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ চুড়াচান্দপুরদগী ক্বাক্তা ফাওরগা লিলোং তম্না পুরকপা লূপা ক্রোর ৫ রোমগী ওইগদবা



ব্রাউন সুগর কেজি ৫.১৪৮গা কোন্ননা মীওই ২ পুলিসনা ফারে।

অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অনীনা ক্বাক্তা সেরিকলচর সেন্টর মনাক্তা গ্রে মচুগী মহিন্দ্র পঞ্চ অমা চেক তৌবদা ব্রাউন সুগর কেজি ৫.১৪৮ য়াওরম্বা থেংনরকখি। প্লাষ্টিক্কী পেকেটতা হাপ্পা ব্রাউন সুগর অদু গাড়ীগী ওয় থংবা থোং ময়াদা লোৎশিল্লগা পুরম্বনি। গাড়ী অদুবু থৌরক্লিবা মীওই অদুগী মমিং মহমদ অমজাদ খান চহী ৪৭ অপোকপা লৈখিদ্রবা নাজির অহমদ কৌই। লিলোং চীংজাওদগীনি। মঙোন্দগী শেল ওইনা লূপা ৮৩,৭৭০ শু ফাগৎখি। ফাগৎলবা ব্রাউন সুগর অদু মালেমগী কৈথেলদা লূপা ক্রোর ৫ রোমগী ওইগনি হায়রি।

## ওল গ্যাস কেয়র মণিপুরনা চাকথোং গ্যাসকী মতাংদা এৱার্নেশ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল জুলাই ১২ (ৱায়েল কাতি) ঃ ওল গ্যাস কেয়র মণিপুর ষ্টেটনা চাকথোং গ্যাস মতৌ করম্না শীজিন্নগদগে অমদি করি করি চেকশিন থৌরাং লৌগদগে হায়না কঞ্জুমরশিংদা লীশাং শিংনা মীপূম তিংনা খঙহনবগা লোয়ননা ত্রেনিং পীদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোপ সিফাই মখা লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ক্লব, য়ুঠ ওফ তোপ-সিফাই অমদি তোপ সিফাই অপূনবা মৈরা পায়বীগা খূৎশম্নদুনা ওল গ্যাস কেয়র মণিপুর ষ্টেটনা চাকথোং গ্যাসা শীজিন্নবদা খূদোংথীবা থোক্তনবগী মতাংদা মীপূম তিংনা খঙহনবগী থৌরমগা লোয়ননা মীয়ামদা তাকপী তম্বগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এ জি সি মণিপুর ষ্টেটকী মেনেজর শগোলশেম জয়প্রকাশনা এক্সপার্ট ওইনা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামদা শুগায়না খঙহনখি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ আমেরিকাদা এক্সপ্লোসিভ দাইরিয়াগী লায়চৎ শন্দোরক্লে

ৱাশিংতন, জুলাই ১২( ৱায়েল কাতি)ঃ পেরাসাইট অমনা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তোঙান তোঙানবা মফমদা এক্সপ্লোসিভ দাইরিয়াগী লায়চৎ শন্দোরক্লে। মীচিগান ষ্টেট খক্তদা হৌখিবা চয়োল অনীগী মনুংদা লায়চৎ অসিগী কেস লিশিং ১ হেন্না থেংনখ্রে।



তোঙান তোঙানবা ষ্টেটস ১৮দা শন্দোরকপা মরমনা হেল্‌থ ওফিসিয়েলশিংনা লায়চৎ অসিগী হৌরকফম খঙদোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা ন্যু য়োর্কতা কেস ২৭৩ অমসুং ওহাইৱো ষ্টেটতা কেস ৫০০ হেন্না থেংনরে। সাইক্লোপোরিয়াসিস হায়না খঙনবা লায়না অসি সাইক্লোপ্রোরা কেয়িটানেন্সিস কৌবা মাইক্রোস্কোপিক পেরাসাইট অমনি থোকহনবনি। ঈশিং অমসুং চীঞ্জাক্তগী লায়না অসি শন্দোরকপনি।

মরূ ওইবা লায়ওংশিংদি য়াম্না তোয়না মহী লাংবা খোঙ হান্বনি। মিচিগান ষ্টেটসতা কেস লিশিং অমা হেন্না থেংনখিবগা লোয়ননা ইলিনোই, টেক্সাস, ফ্লোরিদা, পেন্সিবল ভেনিয়া অমদি অতৈ অতোপ্পা ষ্টেট খরদসু লায়চৎ অসিগী কেস থেংনরে। হৌজিক ফাওবদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মী শিবগী পাউ লৈত্রি। অদুবু ফীভম শোকচিল্লকপদগী মীওই ৩৬ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

সাইক্লোস্পোরিয়াসিস হায়না খঙনবা চীঞ্জাক্তগী শন্দোকপা লায়না অসি অপীকপা পেরাসাইট মখল অমনা থোকহনবনি। মহীক অসিনা স্মোল ইন্টেষ্টাইনদা ইনফেক্সন তৌবদগী মহী লাংবা খোঙ হামথরকপনি। অদুম ওইনমক লায়না অসি মীওই অমদগী অতোপ্পা মীওই অমদা শন্দোকপা তৌদে।

কা হেন্না খূদোংথিনিংঙাই ওইদ্রগসু মীওইবদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিবা লায়চৎ অসি হৌখিবা চয়োল খরগী মমাঙদা য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরকপা থেংনখি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল অমসুং ষ্টেট হেল্‌থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৮দা লায়চৎ অসিগী কেস থেংনরে। খোঙজেল য়াংনা শন্দোরক্লিবা লায়না অসি কদায়দগী কমদৌনা শন্দোরকপনো হায়বা ওথোরিতিশিংনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা হীরম অসিগী মতাংদা ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসনগা খূৎশম্নদুনা লায়চৎ অসি কদায়দগী শন্দোরকপনো হায়বা খঙদোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং খোং তোয়না হাম্বগা লোয়ননা পুক নাবা, কোক ঙাওবা, ওবা, লায়হৌ হৌবা, চানিং থক্লিংবা ফাওদবা, হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা অমসুং কা হেনবা মওংদা হকচাং চোকথবা থেংনৈ। মহীক চঙখ্রবা মতুং চয়োল অমরোম লৈরগা লায়না অসিগী লায়ওং উৎথোরকই। চহী খূদিংগী অয়াম্বা মতমদা মে থাদগী অগষ্ট ফাওবদা লায়চৎ অসি য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা মফমদা শন্দোরকপা হেক হেক থেংনৈ। অনাবা মীওই খরদি লায়েংদ্রবসু মশা মথন্তা ফীভম ফগৎলকপা য়াওই। কনাগুম্বা খরদি অফবা মখলগী এন্তি বাইওটিক পীজদুনা লায়েংবগী মথৌ তাই।

হান্নদগী হৌনা ইম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল শোন্দুনা লৈরবা মীওইশিংদি খরা হেন্না চেকশিন মথৌ তাই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়চৎ অসিগী চপ চাবা হৌরকফম খঙবা ঙমদ্রিবা মরমনা চাবা থকপদা চেকশিনবগা লোয়ননা লূ-নানবগী হৈনবী থম্বা তঙাইফদে। সিদিসিনা পীবা কাঙলোন মতুং ইন্না, য়াম্না তোয়না সাপোন শীজিন্নরগা হাম্বা মথৌ তাই হায়রি।

## মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎ এল এস টি দা পাঙথোক্লগনিঃ নাওখোম্বা

ইম্ফাল, জুলাই ১২(ৱায়েল কাতি)ঃ মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (ৱামা) কংলৈপাক্লা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা মণিপুরী লোলগী শৈরেং চাংদম্নবগী থৌরম চহীগী ওইনসু লাক্লিবা ওগষ্ট ২০ দা হয়িং খোঙবালদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।



ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ৱামাগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখোম্বনা ফোঙদোকখি। মহাক্লা মখা তানা হায়, হিংখিসি ঐখোয় ইরৈপাক্কীদমক হায়বা হীরমদা শৈরেং শৈদিন্নবা অসিবু লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা শৈরেং অদু য়ামদ্রবদা পরেং ২০ ওইহনবীয়ু নৎত্রগনা পরেং ৩০ ওইহনবীগদবনি। শৈরেংশিং অদু লোনয়ান য়াওদনা ইমা লোলদা ইবা ওইগদবনি অমদি শৈরেং চাংদম্নবা অদুদা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা ওইনা খনগৎলবা মীওইদা লূপা লিশিং ৩, লিশিং ২, লিশিং ১গা লোয়ননা শকখঙচেগো পীগনি। খনগৎলবা মীওই ৭ অমগা লূপা ৫০০। ৫০০গা শকখঙচেগসু পীগনি। মসিদা নত্তনা শৈরেং চাংদম্নবা অদুদা শরুক অশৈবা অশৈবীশিংদসু ৱামাগী মায়কৈদগী লূপা ২০০।২০০ পীগনি। শৈরেংশিং অদু ৱাহেং লৈকায়দা লৈবা পান্দম পাউ- চেগী ওফিসতা নৎত্রগা ৱামাগী পীজরিবা মোবাইল নম্বর ৯৮৫৬১৯২৯৯০ নৎত্রগা ৭৮০৫৩৮০২৭৪ দা ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লক্কদবনি হায়রি।

## উঁহে পাম্বীগী পুন্সি

ঃ ডা. নির্মলা রাজকুমারি

মপুন্সিদি উ পাম্বী অমগী
পাংনবগীদমক্কি মীগী মতেং
পুন্সিনি কখোল্লবা
সেবা তৌই পুন্নমকপু চপ মান্ননা
থমদনা খেন্নবা অমত্ত।
ফমহন্দুনা মাগী মরুমদা
উরুম পী নুংশা শারবা কয়াবু।
য়েক্লবা, মরুপ চপ মান্নে মঙোন্দা
চাথোকপীবদা হেক্তুনা, অমুনবা,
অলংবা উঁহে
হায়দে করিসু।
উরগা মথক্ত্ত পাল্লিবা উঁহে ময়ামদু
কল্লকপগা লোয়ননা
নুঙনা থারগা ৱাহল্লবসু
শাওবিদে মাদি করিসু
থদারকই উঁহেদুম

শাওবগী মহুৎতা।

## নীংশিং খুদোল

ঃ শান্তিকুমার হুইদ্রোম

নীংশিংবা নঙনা মীওইবদা
নীংশিং খুদোল ওইনা
কনা অমদনা নুংঙাইবা
কনা অমদনা অৱাবা
নীংশিং খুদোল পীবীরি।
নুংশিনবা ওইরসু নীংশিংই
কায়নবা ওইরসু নীংশিংই।
নুংশিনরগা নীংশিংবনা নুংঙাই
কায়নরগা নীংশিংবনা ৱাই।
নীংশিংবা নঙনা ঐবু
কয়াগী মতিক নুংঙাইহল্লি
নীংশিংবা নঙনা ঐবু
কয়াগী মতিক ৱাহল্লি।
নীংশিংবনা পুক্লিং নৌথোকহল্লি
নীংশিংবনা থম্মোয় কায়হল্লি।

## ফাওরকপা

ঃ গৌরো থোঙামচা

উরুবদা নোঙম চাক চারমদাই
কঙল–খুঁঈর–হঙ্গাম–মকা
অমেৎপা–ইরোনবদা কোৎ–চানবা
মতম'মৈ তদেক–তদেক তনৌ তনৌবা
ময়ায় চেনলমবা ঙসিনা
কঙল–খুউরবা!
হেকপীদ্রবা তদেক্লা পানলমনি
মরোল থোক্লবা ৱাকৎলনি
ফৈ হেক্তোক্তবনা মাঙদৈদি।

## মমল

ঃ মণি মৈকাম, লুকের

লৈরম্মী মমল অদুঙৈ
হিংবগী সংসারদা তাইবঙমী
লৈরম্মী মমল নুংশিবগী
কখোক্তুনা থৱায় নুংশিবগীদমক
শাখিবনি অদুমক মমতাগীদমক
নুংশি খুদোল তাজমহল
করম্নবু কাউগনি পোইরৈনুং
খম্বা–থোইবী, লৈলা মজনুগী
লৈরিবরনে মতমসিদা মমলদু
থৱায়দুগীসু হেন্না পাম্মুজখিবা
অশুকপা চীংনুং গুফানুং
থমজরম্বা পুক্লিংগী খুৎয়েক
খল্লিবরনে হৌজিক্কী মতমসিদা
মুৎশিরবা থাউমৈগুম ঙাল্লম্বা
থাঙ–তা জগোয় ঈশৈ, খুৎয়েকশিং
লৈরিবরগে মমল অরেপ্পা?
হস্তখ্রে ঙন্নমক মমলদো
চাউখৎলবা বিজ্ঞানগী যুগসিদা
লংলবা অচুম্বগী লিচৎ
খঞ্জনখিবগুম নমথাক্কী মৈখুৎলক।
তাউথখিবগুম ঙন্নমক ঈরৈদা
কল্লবা মতমগী শাফুনা
তিনখিদৌরে উনা উনা ঈচেলসিদা
তাবোনুংগী মুক্তা পরেংসু
নুমিৎ থা থৱান্মিচাক ধমকেতু
মরক্তা উফুল–ৱাইফুলগুম অতিয়াদা।

## চয়োলগী ৱাশি ফল

তাং ১৩ –০৭–২০২৬ তগী ১৯–০৭–২০২৬
আচার্য্য অহমভিজিৎ সাইরোম
শিক্ষা গুরু
দি এষ্ট্রোলোজিকেল কোচিং সেন্টর,উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়,
লেন নম্বর ৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট

**মেষ** – তাং ১৩দগী তাং ১৫ ফাওবদি শেল থুম কান্নজবা ফংবগী চাংদি ইশানা খঞ্জবা চাংদগী হেন্না ফংবা পীরি। ইমুংগী অহল লমনগী হকচাংদি পাঙদে। অনা অয়েক্তা শেল চৎকদৌরি। মতুং য়ুমগী শেমগৎ–শাগৎপদা পূক্লিং চঙবা লৈ। অঙম অথৌনা চানবীবা পীরি।
লৈশাঃ মীৱা লৌবদগী মুক্লবা লৈ।
ঙাকঃ লৈরম ৩, ঘী।

**বৃষ** – তাং ১৩ দগী তাং ১৭ ফাওবদি থবক মফম ফগৎপা, শেন্থোক লন্বী য়াম্বা, মীনা ইকাই খুন্নবীবা, ইমুং মনুং হরাও তয়াম্বা পীরি। কুচু মুবা মীগদি করবার পূনবা শেল্লেপ মাঙবা পীরি। মতুং অফবনা শরুক হেনবা লৈ। হকচাং অথিল অরেং থেংনবা পীরি।
লৈশাঃ ৱাহে খোনফম নুংশিবনা মায় পাক্কনি।
ঙাকঃ থোইদিং অমুবা, হৈরম ৩।

**মিথুন** – চয়োল অসি শেল–থুম পুথোক পুশিনগী থবক তৌবশিংদি লন–সম্পতি লৈশিনবা মরুপ মপাংগী মফম পাকথোক চঙথোকপা, অনৌবা থবক থৌরম পায়খৎপা, মীগা পুনবা থবক শেন্দোং হেন্না ফংবা পীরি। শেল শীজিন্নবদা খূৎচাও থারবদি, হান্নগী ফীভম হঞ্জিনবা য়াবা লৈ। হকচাং অপোম অতং লৈ।
লৈশাঃ অহল লমন্না চানবীবা লৈ।
ঙাকঃ শঙ্গোম অনৌবা, হৈরম ৩।

**কর্কট** – চয়োল অসি থবক শু নোম্বদা তুংমাং য়েংহৌদ্রবদি শেল থুম পুখবা, মীৱা– মৈশা লাংবা পীরি। নুপী অঙাংগী মরিদা ইকাই নংবা, শেল থুম তিংবা লৈ। মীশক য়েংনা তিন্নরবদি উকল ওইগনি। তাং ১৬কী মতুং অফবা কান্নজবা পীরি। হকচাং খোং খূৎ শিংবা ৱাৎপা, শজিং হৌগনবা লৈ।
লৈশাঃ পূক্লিং হকচাং নুংঙাইবা লৈ।।
ঙাকঃ চেঙ মচং, লৈরম ৩।

**সিংহ** – তাং ১৩ দগী তাং ১৬ ফাওবদি থবক তৌবদা অৱামল লেন্না মাঙলোই, লম–তু অরাপ্পা চৎপা, ফংবা পীরি। মতুং শেল মচিৎ মচিৎ কান্নবা ফংবা লৈ। শাগৈ–নাতৈ মরি–ফত্তে, মুক্লবা পীরি। হকচাং লোক্লাই তিল্লাই কাঙবা লৈ।
লৈশাঃ তুং মাং য়েংনা ঙাংউ।
ঙাকঃ শঙ্গোম অনৌবা, থোইদিং অমুবা।।

**কন্যা** – চয়োল অসি শু নোম্বদা ৱাবনা হেনবা, মহয়দি লিক্কদৌরি। মীনা য়েংথিবা তিন্নবদা মোৎ, কয়া চানরোই। মরম চাদনা ৱাখৈ লাম্থৈশিনবা, শেল থুম তিংবা পীরি। চেকশিঞ্জরবদি উকল ওইগনি। ইচা ইশুশিংগী নুংঙাইবা পাউ তাগনি। হকচাং নাকোং, ঙক্লি কয়া নুংঙাইরোই।
লৈশাঃ ৱাঙাং হৈতবনা মপা চৈবা লৈ।
ঙাকঃ ঘী, লৈ অঙাংবা ৩।

**তুলা** – তাং ১৩ দগী তাং ১৫ ফাওবদি ফিরোল, অকে–অমৌগী থবক তৌবশিংদি শেন্থোক লন্বী য়ামদে, চৎখিবা শেলগা ফংলকপা শেলগা চাং মান্নগদৌরি। ইচা ইশুশিংগী মহৈ মশিংগী লমদা মীংচৎ ফংবা, পূক্লিং নুংঙাইবা পীরি। লৌরি য়ূম্ফম য়েৎনবা কোল্লগানি। মতুং খরা হোৎনজবদা মহয়না হেনবা লৈ। হকচাং গ্যাষ্ট্রিক ফোর্ম তৌগনবা পীরি।
লৈশাঃ অচূম্বা তৌবনা মায় পাক্কনি।
ঙাকঃ থোইদিং অমুবা, থরো হিগোক ৩।

**বৃশ্চিক** – তাং ১৩ দগী ১৬ ফাওবদি য়োৎ থাং, খূৎশু খূৎলাইগী শিনফমদা লৈবশিংদি শেন্থোক লন্বী, ফগাৎচবা, মীনা থাগৎপা, লম–তু গাড়ী লৈশিনবা পীরি। মতুং শু নোম্বদা অৱামল লেন্না মাঙলোই, ইমুং মনুং শান্তি লৈগনি। শাগৈ–ঙাইগী মরি ফগাৎকদৌরি। হকচাং শায়েং শায়া চিকপা–শাবা খরা লৈ।
লৈশাঃ ঙাংবা শকপদা ৱা তাবীবা লৈ।
ঙাকঃ চেঙ–মচং, থম্বাল অঙাংবা ৩।

**ধনু** – চয়োল অসি থবক মফম হোংবা, কোক শাবা, ৱাইচিনবা থবক থৌরম থেংনবা ফল পীরি। অঙম অথৌগী অখাবা মীৎয়েং লৈ, হৈ–শিংজরবদি উকল ওইগনি। ইমুংগী ইখা থাবশিংগী হকচাং তুরৈ ঈরৈ চনবা পীরি। শেল থুম খরচ য়ামগদৌরি।
লৈশাঃ অহল–লমন্না থৌজালবীবা লৈ।
ঙাকঃ শঙ্গোম অনৌবা, লৈরম ৩।


**মকর** – তাং ১৩ দগী তাং ১৬ ফাওবদি মশক থোকপা থবক খরদি ইরায় লায়না পাঙথোকপা মীনা শিংথানবদা য়াওবা ফংজবা পীরি। ৱাখল লৌশিং থোকপা অঙম অথৌনা চানবীবা, পাঙ্গল থৌনা লৈনা ৱা ঙাংবা, লন–তানবা ঙম্বা লৈ। ঈশ্বরগী থবক থৌরম পাঙথোকপা ফল পীরি। হকচাং য়াগী অনা অয়েক থেংনবা লৈ।
লৈশাঃ মচাক মরল চাওখৎকনি।
ঙাকঃ হৈরম ৩, ঘী।

**কুম্ভ** – চয়োল অসি শেল থুমগী কান্নবা, শেঞ্জাও খরদি পায়বা ফংজবা, ইমুং মনুং হরাও তয়াম্বা, চানিংবা চাবা ফংবা লম–তু অরাপ্পা কোয়বা তাঞ্জা থেংনরগনি। থবক মফম ফগাৎপা, ফম কাবা মীংচৎ ফংবা লৈ। হকচাংদা অনা অয়েক কোল্লকপা, পাঙ্গল থৌনা ফগাৎপা পীরি।
লৈশাঃ নুংশি মরি চেৎশিনবা লৈ।
ঙাকঃ লৈরম ৫।

**মীনা** – তাং ১৩ দগী তাং ১৫ ফাওবদি লৌ ইঙ্খোল, ফার্ম তৌবশিংগীদি লাইবক মপা চুম্বা লন–সম্পতি চাওখৎপা পীরি। মতুং অনৌবা য়ুম্বাল লন্বীদা চঙলকপশিংদি মচা ধারা ফংবা লৈ। ঈশ্বরনা থৌজালবীবা মতমনি। মতুং শেন্থোক লন্বী ফগাৎচবা থবক তৌবদা হৈথোই শিংথোইবা পীরি। হকচাং ঈশিং য়াফম মরি নুংঙাইতবা লৈ।
লৈশাঃ পূক্লিং ৱাবা লৈ।
ঙাকঃ থোইদিং অমুবা, শঙ্গোম অনৌবা।

## WAYEL CROSSWORD


*Crossword-323*



**ACROSS**
1 Dry white Burgundy wine (7)
4 Applicant (9)
8 Catastrophic (10)
9 Holy building (6)
10 Get together (4)
12 Cuban dance (5)
14 Bright red colour (6)
16 Final sum (5,5)
17 Substance (7)
19 Lewd (5)
21 Bolster (5)
22 Large Siberian deer (7)
24 Stocking fabric (5)
26 Middle (5)
27 Large rodent (5)
28 Ship's record (7)
31 Energy (5)
32 Bring upon oneself (5)
33 Get on film (7)
36 Discards (8,2)
37 Sew (6)
39 Radio locating device (5)
41 Gave temporarily (4)
42 Sewing implement (6)
43 Large chimney (10)
44 Ship's right side (9)
45 Wise, circumspect (7)

**DOWN**
1 Pottery-making (8)
2 Constructed (5)
3 Angrily (7)
4 Ionian island (5)
5 Throws away (8)
6 Excavate (3,2)
7 Captivate (7)
11 Liverpool football club (7)
12 Boating event (7)
13 Fight (8)
15 Oblong (11)
18 Himalayan country (5)
19 Forgery (11)
20 Stretch (8)
21 Pictured vegetable (8)
23 Cowboy contest (5)
25 Songwriter (8)
26 Merlin's forte (5)
29 Picks (4,3)
30 Easily broken (7)
34 Strong Italian coffee (8)
35 Tittle-tattle (4-4)
36 Aridity (7)
37 More concise (7)
38 Cow's milk organ (5)
40 Requested (5)
41 Coherent (5)

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 2 | | 5 | |
| | 4 | 3 | | | | 7 | | |
| | | | | | 6 | 4 | | 1 |
| | | | | | | 9 | | |
| | 2 | | | 8 | 5 | | | 3 |
| | 5 | | 2 | 9 | 3 | | 1 | |
| | | | | 7 | | | | |
| 6 | | | | | 9 | | | |
| | 7 | 5 | | | 1 | | 8 | |



| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 9 | 7 | 4 | 2 | 3 | 5 | 8 |
| 5 | 4 | 3 | 9 | 1 | 8 | 7 | 6 | 2 |
| 2 | 8 | 7 | 3 | 5 | 6 | 4 | 9 | 1 |
| 3 | 1 | 8 | 4 | 6 | 7 | 9 | 2 | 5 |
| 9 | 2 | 4 | 1 | 8 | 5 | 6 | 7 | 3 |
| 7 | 5 | 6 | 2 | 9 | 3 | 8 | 1 | 4 |
| 8 | 9 | 2 | 5 | 7 | 4 | 1 | 3 | 6 |
| 6 | 3 | 1 | 8 | 2 | 9 | 5 | 4 | 7 |
| 4 | 7 | 5 | 6 | 3 | 1 | 2 | 8 | 9 |

---

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-99/125(C)/106 Date: 9-07-2026

**LIST OF UNIVERSITY EXAMINATION CENTRES FOR THE B.A./B.SC/B.Com/B.P.E.S/B.F.T/B.S.W/ B.T.T 2nd SEMESTER EXAMINATION, 2026 (MAY) (NEP) (BACK./CASUAL) AND 2nd / 4th / 6th SEMESTER EXAMINATION, 2026 (MAY) (OLD/BACK)**

The following have been identified as University Examination Centres for the B.A./B.Sc./B.Com./B.P.E.S. /B.F.T./B.S.W./B.T.T. 2nd Semester Examination, 2026 (May) (NEP)(Back/Casual) and B.A./B.Sc./B.Com./B.P.E.S. /B.F.T./B.S.W./B.T.T. 2nd / 4th / 6th Semester Examination, 2026 (May) Old/Back): Candidates belonging to the colleges listed in Column B shall appear for the examination at the respective Examination Centres indicated in Column A of the table below:

| Sl. No. | Examination Centre (A) | Attached Colleges (B) located in the following Districts |
|---|---|---|
| 1 | Manipur University, Canchipur | Imphal East, Imphal West, Bishnupur, Kakching, Thoubal |
| 2 | Moreh College | Moreh |
| 3 | Tamenglong College | Tamenglong |
| 4 | Jiri College | Jiri |
| 5 | Jadonang Memorial College | Noney |
| 6 | South East Manipur College | Chandel |
| 7 | Churachandpur College | Churachandpur |
| 8 | Damdei Christian College | Kangpokpi District |
| 9 | Mount Everest College | Senapati |
| 10 | Pettigrew College | Ukhrul |

All Principals and Centre Officers-in-Charge are requested to make necessary arrangements for the smooth conduct of the examination. Further, all concerned colleges located in the districts listed in Column B are required to deposit the prescribed Centre Fees along with the attendance sheets of their candidates at their respective Examination Centre listed in Column A on or before 11th July, 2026 without fail.

(T. Shantikumar Singh)
Controller of Examinations

WK2/24/11-12 July

---

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-99/2/25(Exam-C)/63 Date: 02-07-2026

**PROGRAMME FOR THE FOUR YEAR UNDERGRAUUATE PROGRAMME (FYUP)**

**2ND SEMESTER EXAMINATION, 2026 (MAY) (NEP)**

| Date & Day | 10:00 am to 1:00 pm |
|---|---|
| *10-08-2026 Monday* | MAJOR COURSE-2 |
| *12-08-2026 Wednesday* | SEC-2 (Skill Enhancement Course-2) |
| *14-08-2026 Friday* | AEC-2 (Ability Enhancement Course-2) |
| *17-08-2026 Monday* | MDC-2 (Multidisciplinary Course-2) |
| *19-08-2026 Wednesday* | MINOR COURSE-2 |
| *21-08-2026 Friday* | VAC-2 (Value Added Course-2) |

*The practical examination schedule shall be issued separately.*

1) Last date of submission of online examination forms:
Without fine: From 6-07-2026 to 20-07-2026
With fine: 23-07-2026

2) Colleges are required to submit the internal marks, printed forms and requisite fees to the University latest by:
Without fine: 23-07-2026
With fine: 24-07-2026

*Link for online application: ugexamform.manipuruniv.ac.in*

(T. Shantikumar Singh)
Controller of Examinations

WK2/25/11-12 July

---

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

**ADMISSION NOTICE**/662
Dated the 10th July, 2026

No. MU/24-I/DAcE/Adm/Aca: With reference to the earlier Admission Notices No.637 dated 10 June 2026 and No.638 dated 10 June 2026, regarding the "Free Coaching Scheme for SC and OBC" and the "Free Coaching Scheme for PwD", respectively, the following changes have been made to the dates of admission and the Entrance Test, as the Entrance Test earlier scheduled for 19 July 2026 (Sunday) coincides with certain central/national competitive examinations:

**Rescheduled Dates**

Last date for submission of Online Application Form: **19 July, 2026 (23:59:59 hrs)**

Time & Date of Admission/Entrance Test:
* UPSC/MPSC CSE: **(10:00** a.m. – **12:00** noon), **25 July, 2026** (Saturday)
* Banking/Insurance/PSU/SSC/RRB (Group A & B Examinations): **(2:00** p.m. – **3:00** p.m.), **25 July, 2026** (Saturday)

Date of Declaration of Admission/Entrance Test Result: **25 July, 2026**

Date of Counselling: **28–29 July, 2026 (10:00 a.m. – 4:00 p.m.)**

Date of Commencement of Classes: **3 August, 2026** (Monday)

**Application Fee: Rs. 200/- only**

Web link for online submission of Application Form: https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

(Dr. M. Seityam Devi)
Assistant Registrar (Academic)

WK2/26/11-12 July

Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733